# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 05-09-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপশিংগী মীওইশিং অমদি খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে।

২) লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম ঙসি ওজাগী নুমিৎ মণিপুরদসু পাঙথোক্লি।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- মহাক্কী সরকারনা জি.এস.টিদা নেক্স জেনেরেসন রিফোর্মস পুরকপা ঙমলে।

------

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপশিংগী মীওইশিং য়াওনা আইন কায়বা থৌওংশিং চথবা মীওইশিং অমদি খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোলরুমগী পাউনা হায়- ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি হুম্বগী থবক চথবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শিংজমৈ চীংঙামখা মৈস্নাম লৈকাইদগী আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী নুপী অমা ফারে। মহাক লালহৌলুপ অসিগী মীংদা মীচম মীয়ামদগী নমদুনা শেল খোমগৎপা অমসুং লোনগা মরী লৈনবা শেনফমশিং খোমগৎপদা চেন্নবা মীশকি। মঙোনদগী

হোন্দা এক্তিভা অমা, মোবাইল ফোন অনি অমসুং আধার কার্দ অমা ফাগৎপা ঙমখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খুরাই পুথিবা লৈকাইদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমা ফাগৎপা ঙমখি। মীওই অসিদগী শেল খরা অমসুং আধার কার্দ অমা ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা, বিষ্ণুপুর জিলাগী ফৌগাকচাউ ইখায় মমাং লৈকাই অমসুং কোলবুং ভিলেজ এরিয়াদা মণিপুর পুলিসনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা মেগজিন য়াওবা ইন্সাস রাইফল অমা, তুয়েল্ব বোর দি.বি.বি.এল অমা, তুয়েল্ব বোর এস.বি.বি.এল অনি, কন্ত্রি মেদ নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, অহাংবা মেগজিন অমা,সাভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এম- এ.কে. ফোরতিসভেনগী কাপ্পা য়ারিবা মরু মঙা, সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এম- এস.এল.আরগী কাপ্পা য়ারিবা মরু মঙা, নাইন এম.এমগী কাপ্পা য়ারিবা মরু অনি, গেলেতিন ষ্টিক মরি, লাইভ দিটোনেটর অনি অমসুং মিতর অমরোম শাংবা পোরতেক্স এক্সপ্লোসিভ ৱায়ার অমা ফাগৎপা ঙমখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী হৈঙাং চীং অমসুং মসিগা তাইনবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদনা মেগজিন য়াওবা এ.কে. ফিফতি সিক্স রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা এম-সিক্সতিন রাইফল অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অহুম, ট্যুব লোঞ্চিং মঙা, বি.পি জেকেত অমা, বি.পি প্লেট অনি, আর.পি.জি সেল অমা, সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এমগী মরু ১০, ফাইভ পোইন্ট সিক্স এম.এমগী মরু তরা ফাগৎপা ঙমখি।

পুলিসকী পাউ অদুনা মখা তানা হায়- হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা মণিপুর পুলিসনা চুরাচান্দপুর জিলাগী লমজাং এরিয়াদগী মীওই মরি ব্রানউসুগরগা লোয়ননা ফাগৎপা ঙমখি। মখোয়দগী সাপোন কেপ ১১২ দা হাপ্লন্বা কিলোগ্রাম অমা মখায়রোমগী চাং ওইগদবা ব্রাউনসুগর, চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা অমসুং মোবাইল ফোন মঙা ফাগৎপা ঙমখি।

সেনাপতি জিলাগী তদুবী চ্যেক পোষ্টতা সেক্যুরিতি ফোর্সনা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবদা মীওই মঙা ব্রাউনসুগর কিলোগ্রাম অনিরোম হেন্না ফাগৎপা ঙমখি। মখোয়দগী চাকা মরি পানবা গাড়ি অনি, মোবাইল ফোন ৮ ফাগৎখি।

অমরোমদা, ঙরাং মণিপুর পুলিসনা মোটোর ভেহিকল এক্টকী মখাদা আইন কায়না গাড়ি থৌবা মীওই ৬০ চলান কক্তুনা শেল ওইনা লুপা লাখ অমা লিশিং ১০,২০০ খোমগৎপা ঙমখি অমদি হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতনা গাড়ি ১৭ তগী তিন্তেদ ফিলমশিং লৌথোকখি।

ওজা (এল)ঃ লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম ঙসি ওজাগী নুমিৎ মণিপুরদসু পাঙথোক্লি।

মপুং ওইবা থৌরম মণিপুরদসু রাজ্যগী শিক্ষা বিভাগনা শিন্দুনা রাজ্য থাক্তা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা রাজ্যগী চীফ সেক্রেতরি ডাঃ পুনিত কুমার গোয়ল, হায়র এন্দ টেকিকেল ইজ্‌কেসনগী প্রিন্সিপাল সেক্রেতরি আর.কে. দিনেশ শরুক য়াগনি। থৌরম অসিদা ষ্টেট টিচরস এৱার্দসু য়েন্থোক্কনি।

নুমিৎ অসিনা লাকপদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা য়াওনা লুচিংবা কয়ানা মীয়ামদা, মরুওইনা ওজাশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরি।

পালন থৌরম অসি জাতিক্কী থাক্তা লৈবাক্কী কোনুং নিউ দিল্লিদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা রাষ্ট্রেপতি দ্রৌপতি মুরমুনা লৈবাক অসিগী খনগৎলবা ওজা ৪৫ দা নেসনেল টিচরস এৱার্দ ২০২৫ পীদুনা ইকায় খুমবা উৎকনি। খনগৎলবা ওজাশিং অদুগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ঘারি অপ্পর প্রাইমারি স্কুলগী ওজা কোইজম মচাসনা য়াওরি।

কোর্ট (এল)ঃ মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতি (মসলসা)না শিন্দুনা ঙরাং হাই কোর্ট ওফ মণিপুরগী ওদিতোরিয়মদা লিগেল এইদ ফঙ্কসরিশিংগী ওইবা মীফম অমা জষ্টিস এ. বিমোলনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা হাই কোর্ট মণিপুরগী জষ্টিস এ. গুনেশ্বর শর্ম্মা, মসলসাগী মেম্বর সেক্রেতরি অলেক মুইভা, ঐচ.সি.এল.এস.সিগী চেয়ারমেন, দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিগী চেয়ারপার্সনশিং, পেনেল লোয়র, রিমান্দ লোয়র, রিটেল্নর লোয়র অমসুং লিগেল এইদ দিফেন্স কাউন্সিলগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি।

জিএসটিঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- মহাক্কী সরকারনা জি.এস.টিদা নেক্স জেনেরেসন রিফোর্মস পুরকপা ঙমলে।

নেসনেল টিচরস এৱার্দ ফংলবা ওজাশিংগা নিউ দিল্লিদা ঙরাং উন্নবগী থৌরমদা ৱাফম অসি প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- জি.এস.টি টু পোইন্ট জিরো অসিনা লৈবাক অসিবু মপাঙ্গল কলহনবগা লোয়ননা চাওখৎপা ঙমহল্লগনি। জি.এস.টি অসি হৌজিক্তি হেন্না লাইথোকহল্লগনি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- জি.এস.টি রিফোর্ম অসিনা মিদল ক্লাস, নিও মিদল ক্লাস, লাইরবা, নহা অমসুং নুপীশিংদা হেন্না খুদোংচাবা পীরগনি। প্রধান মন্ত্রিনা মখা তানা হায়- মতম চানা অহোংবা পুরকপনা ভারতনা মালেমদা অচৌবা ফিদা অমা কনবা ঙমগনি।

খোঙথাং অসিবু তোঙান তোঙানবা উদ্যোগকী বোদিশিং য়াওনা মাইকৈ কয়াদগী থাগৎপা ফোংদোকরক্লি।

মণিপুরগী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্নসু প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লৌখৎলক্লিবা ঐতিহাসিক ওইরবা খোঙথাং অসিবু নুংঙাইবা অমদি থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

মহাক্কী সোসিয়েল মিদিয়া পোষ্ট অমদা শ্রী বিরেন্না হায়- মসিনা লল্লোন ঈতিক তৌরিবশিংদা খুদোংচাবা পীবগা লোয়ননা অতৈ মীওই কয়াদসু থবক পীবা ঙমহল্লগনি। খোঙথাং অসিনা অৱাং নোংপোক লমদমবু শেল থুমগী লমদা হেন্না মপাঙ্গল কলহনবগা লোয়ননা চাওখৎহল্লগনি।

পিএমঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগা য়ুরোপিয়ান কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট এন্তোনিও কোষ্টা অমসুং য়ুরোপিয়ান কম্মিসনগী প্রসিদেন্ট উরসুলা ভোন দর লিয়েন টেলিফোনগী খুত্থাংদা ঙরাং ৱারী শান্নখ্রে। লুচিংবশিংনা ভারত অমসুং য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগী মরক্তা অফবা মরী থমদুনা মালেমগী ওইবা হিরম কয়াদা খন্নখি।

লল্লোন ঈতিক, টেকোলোজি, শেল থাদবা, ইনোভেসন, সষ্টেনেবিলিতি, ঙাকশেল য়াওনা অতৈ লম কয়াদা ভারত অমসুং য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগী মরক্তা লৈনরিবা অফবা মরীগী মতাংদসু খন্নখি।

নোং (এল)ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়রি- অৱাং নোংপোক রাজ্যশিং য়াওনা লৈবাক্কী অতৈ মফম কয়াদা হয়েং অকনবদগী য়ামা কনবা ফাওবগী চাংদা নোং চুরবা য়াই।

গুজরাতকী মফম কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি হুমি অসিদা অকনবা নোং চুগনি। মহারাষ্ট্র, মধ্য প্রদেশ, রাজস্থান, সৌরাষ্ট্র, কটস, কোনকান অমসুং গোৱাদসু হয়েং অকনবা নোং চুগনি।

অমরোমদা পঞ্জাবতা হৌজিক ঈশিং ঈচাউগী অৱাবা নংলবা মীয়ামদা ভারত লান্মী, এয়ার ফোর্স, বি.এস.এফ, এন.দি.আর.এফ অমসুং এন.জি.ওশিংনা মী কনবা অমদি তেংবাং পীবগী থবক চত্থরি। মফম কয়াদা হাংবা রিলিফ কেম্পশিংদা মীওই কয়ানা চংজফম লৌদুনা লৈরি। রাজ্য সরকারনা ফিভম অসিগী য়েংলগা লুপা কোতি ৭১ কাহথোক্লে। কেন্দ্র সরকারনসু রাজ্য অসিদা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়নসু থাজবা পীখ্রবনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

সেন্তর, মণিপুর সরকার অমসুং কুকি জো গ্রুপশিংগী মরক্তা অমুক হন্না সাইন তৌনদুনা সুগী মতম শাংদোকখিবগী পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মণিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

সেন্তর, ষ্টেট অমসুং কুকি য়ু.জিশিংনা শেমদোক্লবা এগ্রিমেন্ট সাইন তৌনখ্রে, লম্বী হাংদোকপা, মণিপুর কায়হন্দবদা য়ান্নখ্রে হায়বা পাউনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পাউ অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসন, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থৌদাং, হুইয়েন লানপাউ, সনালৈবাক, মণিপুর মেল, মোর্নিং বেল, হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেস, গানফিউ মেল, তমেংলোং টাইমস অমসুং চম পাউচেশিং অসিদা ফোংনরি।

সুগী মতম শাংদোকখিবা অসি অমুকো অমসুং থাদৌ ইনপি য়াওনা তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা য়ানিংবা ফোঙদোকনরকখিবাগী পাউ অসি পোক ফম পাউ চেগী অহানবা লমাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি। পাউ অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা অতৈ পাউ চেশিংদসু ফোঙনরি।

লৈঙাক শেমবা সত্যব্রত্তা, গোবিন্দাস, বিশ্বজিৎ দেল্লিনা পাইশিনখ্রে। মোদি লাকপা নুমীত্তা বিজেপিগী লিদর লাউথোরকপা য়ানা লৈরে হায়বা পাউনা নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

বোর্দর ফেন্সিং খাবদা থিংলিবসি রুল ওফ লো লৈতবা লৈবাক অমগুমা পংলৈদা লৈরশি হায়রিব্রা হায়না এম.এল.এ- জয়কিসন্না ফোংদোকখিবা ব্রাফম অমসু পাউচে অসিমক্কী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

থাদৌগী লুচিংবা জোমহাও হাৎপদা চেন্নবা কাদর মঙা পার্তিদগী সস্পেন্দ তৌরে- কে.আর.এ হায়বা পাউ অমসু হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা

ফোংলি।

মণিপুরী লোল অমদি কলচরেল হেরিতেজ য়ু.জি.সি কোর্সশিংদা য়াওহল্লু হায়না হান্নগী এম.পি. আর.কে. রঞ্জন্না ফোংদোকখিবা ৱাফম সনালৈবাক অমসুং মোর্নিং বেলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

সেপ্তেম্বর ৬ তা কুকি জোশিংগী ওইবা পাব্লিক রেল্লি অমা চৎকদৌরি হায়বা পাউ অমসু সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে হায়বা পাউনা মণিপুর মেলগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

ভি.ভি.আই.পি খোঙচৎকী মাংওইননা চুরাচান্দপুরদা নো দ্রোন জোন লাউথোকখ্রে হায়বা পাউ গানফিউ মেলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------